# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এম পিশিংনা আর্টিকল ৩৭০গী ৱাফম ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ইশুনি হায়না ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): নুমিৎ নীনিগী কাশ্মির খোঙচৎতা লাকখিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এম পিশিংনা আর্টিকল ৩৭০গী ৱাফম অসি ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ইশুনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেম্বর ২৩না শাবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী টিম অদুনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চপ চানা লেপকনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী লাকপা মাইগ্রেন্ট লেবরর ৫ সাউথ কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্তা টেররিষ্টশিংনা হাৎখিবগী থৌওংবু য়ুরোপিয়ন টিম অদুনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংগী টিমদা য়াওরকপা ফ্রান্সকী হেনরি মালোসেনা হায়খি, ইন্দিয়া মনুংগী ৱাফম ওইবনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী কমেন্ট অমত্তা পীবা পামদে। অদুম ওইনমক টেররিজম থেংনবগী মতাংদদি ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা মপুং ফানা শৌগৎকনি। মরাল লৈজদবা লেবরর ৫ হাৎখিবগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন ইকনমিক এন্দ সোসল কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মোলাসেনা হায়খি, আর্মি, পুলিস অমসুং এক্টিবিষ্ট কয়াগা উনদুনা কাশ্মিরগী মতাংদা ৱারী শান্নরে। হৌজিক হৌজিক কাশ্মিরদা ওইরিবা ফিভম চপ চানা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

ওগষ্ট ৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবগী মতুং তারকপদা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অসিনা কাশ্মিরগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখিবনি। টিম অদুদা য়াওরকখিবা পোলেন্দগী রিজকার্ট জর্নেকিনা হায়খি মদুদি ইন্টর্নেসনল মিদিয়ানা কাশ্মিরগী মতাংদা পাউ ফোঙবদা মীচং মীখাই নাইবগী খুদম উবা ফঙলে। ইরমদমদা হনখ্রবা মতুংদা থেংনরকপা পুম্নমক ময়েক শেংনা পাউদম্লুরগনি হায়না টিম অদুদা য়াওরকপা লিবরেল দেম্মক্রেট পার্টিগী ন্যুতন দমনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, য়ুরোপ্তা চহী কয়া হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোক্লুবা মতুংদা ইং তপ্পা ফিভম পুরকপা ঙমখিবনি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াদসু ইং তপ্পা ফিভম লৈহনবা পাম্মী। মরম অদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংদা ইন্দিয়াগী মতেং পাঙবা তঙাইফদে।

পার্লিয়ামেন্টরি টিমদা য়াওরকপা ফ্রান্সকী পি মারিয়ানিনা হায়খি, মমাঙদা কয়ারক হন্না ইন্দিয়াদা লাক্লম্বা লৈখ্রে। হন্দক্কী খোঙচৎ অসি ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিন্নবগী পান্দমদা লাকখিবা নত্তে। কাশ্মিরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম চপ চানা খঙদোকপা লাকপনি।

# কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা ইন্দিয়ন ২২০০০না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এসাইলম লৌনবা হোৎনখি ঃ রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা নুপী ৭০০০ য়াওনা ইন্দিয়ন ২২০০০না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এসাইল লৌনবা হোৎনরকখি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ অমেরিকান পঞ্জবি এসোসিএসন (এন এ পি এ)গী এক্সজিক্যুটিব দিরেক্টর সতনম সিংহ চহালনা হায়খি, অন ইমপ্লোইমেন্ট নৎত্রগা ইনটোলরেন্সনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন কয়ামরুম য়ু এসতা চঙজফম লৌনবা হোৎনরকখিবনি। ফ্রিদম ওফ ইনফোর্মেসন এক্ট (এফ ও আই এ)গী খুত্থাংদা এসোসিএসননা ফঙবা রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা ইন্দিয়ন ২২,৩৭১ অমেরিকানা চঙজফম লৌনবা হোৎখি হায়বা খঙলে।

হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপী ৬,৯৩৫ অমসুং নুপা ১৫,৪৩৬ য়াওরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা এন এ পি এগী এক্সজিক্যুটিব দিরেক্টর সতনম সিংহ চহালনা ফোঙদোকখি।

এসাইলম লৌনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মতাংদা থবক তৌরিবা সতনম সিংহনা হায়খি, কনাগুম্বনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চঙলক্লবা মতুংদা লন্নাই উকিল নেক্তুনা মখা তানা লৈথবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলি।

হায়রিবা থৌরাং অসিদা শেল কয়ামরুম চঙবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা মায় পাকপা ঙমদে। য়ু এসতা মতৌ অসুম্না এসাইলম লৌনবা থৌরাং লৌখৎলিবা মীওই কয়া অরেম্বদা শেল মাংলগা তোকপসু য়াওরি। কনাগুম্বনা য়ু এসতা লৈনিংবা তারবদি লোনা য়াবা মওংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অরানবা মওংদা চঙলকখিবা মীওইশিংনা ওথোরিটিগী অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা মতম শাংনা ঙাইবগী তঙাইফদবা লৈ। অসাইলম পিরক্ত্রিবা ফাওবা হায়রিবা মীওইশিং অদুনা ইমুং মনুংগী মীওই অমত্তা য়ু এসতা পুরকপা য়াদে। মরম অদুনা য়ু এসতা লৈনবগী মতাংদদি লোনা য়াবা মওংদা মাংজৌননা অয়াবা লৌনবা হোৎনবনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়নসু সতনম সিংহনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, থা অসিগী হৌগৎলকপদা অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবনি হায়বা ইন্দিয়ন ৩১১ মেক্সিকোদগী হলহনখি। কুমজা ২০১৭তা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকখ্রবা মতুংদা ইমিগ্রেসন জজশিংগী মমাঙদা কেস ৫৪২,৪১১ হেন্না পন্দুনা লৈরি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা পন্দুনা লৈবা কেস ১,০২৩,৭৬৭ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা অরোইবা ৱায়েল পীবা ঙমদনা লৈরি। ইমিগ্রেসনগী কেসশিং মায়োক্লুবদা শেল কা হেন্না চঙবা মরম্না য়ু এসতা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলক্লবা হোৎনরোইদবনি।

# ‘কুমজা ২০২১ ফাওবদা এলিফেন্টিয়াসিস মুখৎনবা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই’




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): ইন্দিয়াদা লিমফেটিক ফিলারিয়াসিস মরু ফঙনা মুখৎনবগী পান্দম ফঙনবগীদমক মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ টু ইলিমিনেট লিমফেটিক ফিলারিয়াসিস হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা নেসনল সিম্পোজিয়ম অমা হৌদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা হায়খি, ইলিফেন্টিয়াসিস হায়নসু খঙনবা লায়না অসি কুমজা ২০২১ ফাওবদা ইন্দিয়াদগী মরু ফঙনবা মুখৎনবগী মতাংদা মীৎয়েং শানবা থৌরাং অমা লৌখৎপা তঙাইফদে। হকশেলগী লমদা ইন্দিয়ানা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিনা হকশেলগা মরী লৈনবা মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। নেগ্লেক্টেদ ট্রোপিকেল দিজিজেজ (এন টি দি)গী মতাংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা ঙম্লে। মালেমগী মফম অয়াম্বদা থৌশানদবা অদুবা লৌনগনবা লায়নাদি ওইরিবা এন টি দিনা মরম ওইরগা মীওই বিল্লিয়ন ১.৫ রোম চৈথেং ফংলি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক মরু ওইবা এন টি দি অনী খুদুম চন্নবগী মতাংদা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে। হায়রিবা লায়নাশিং অদুদি লিমফেটিক ফিলারিয়াসিস অমসুং বিসরেল লিষ্টমানিয়াসেসনি। হায়রিবা লায়না অনী অসিনা ইন্দিয়াগী অঙাং কয়ামরুমদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবা মরম্না মীৎয়েং শানবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা কুমজা ২০২১ ফাওবদা মপুং ফানা লাকশিনবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

পান্দম অসি ফঙনবগী মতাংদা মরী লৈনবা মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা খুৎশম্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# আই এন এক্স মিদিয়া কেস ঃ পি চিদম্বরমবু নবেম্বর ১৩ ফাওবা তিহার জেলদা থম্নবা দিল্লিগী কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী মতাংদা দিল্লিগী কোর্ট অমনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমবু নবেম্বর ১৩ ফাওবা তিহার জেলদা থম্নবা য়াথং পীখ্রে।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা চিদম্বরমবু তিহার জেলদগী লৌথোক্লগা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা থমখিবনি। কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না তিহার জেলদা থমগদৌরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অসি ৱেষ্টর্ন টোইলেট য়াওবা তোখাইবা সেল অমদা থম্বগা লোয়ননা য়ুমদা থোংলকপা চাক ইনশাং চানবগী খুদোংচাবা ফঙহনগনি হায়রি।

চিদম্বরমনা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা থম্বগী মতম ঙসিনা লোইরে। মশাগী চহী ৭৪ শুরবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা ইন্টরিম বেল পীবিনবগী মতাংদা পীশিল্লকখিবা এপ্লিকেসন অমগা মরী লৈননা দিল্লি হায় কোর্টনা হয়েং হিয়রিং চত্থগদৌরি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিল্লিগী এইমসতা পুখৎতুনা ঙাইহাক লায়েংলমখিবা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়দরবাদতা লায়েংলুনবগীদমক ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবনি। নবেম্বর ৪দা দিল্লি হায়কোর্টনা হিরম অসিগী মতাংদা হিয়রিং চথনবা মতম লেপখি।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা চিদম্বরমবু নুমিৎ অমগা শাংথনা কষ্টদিদা থম্নবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবদা কোর্টনা য়াখিদে। চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কপিল সিবালনা হায়খি মদুদি মতিক চাবা ৱিথনেস অমত্তা পুথোকপা ঙমদবা মরম্না চিদম্বরমবু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা মখা তানা থম্বগী মথৌ তাদ্রে।

ওগষ্ট ২১দা সি বি আইনা আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা চিদম্বরম ফাখিবনি। ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন বোর্দ (এফ আই পি বি)গী ক্লিয়ারেন্স পীবদা অরানবা থৌওং চত্থখি হায়বগী মরালদা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদু সি বি আইনা ফারগা ৱায়েল চত্থদুনা লাকখিবনি।

# ৱাহং পাউহং চত্থবদা শীখিবদগী পুলিস ষ্টেসন অমগী মথক্তা মর্দর কেস ফাইল তৌখ্রে



লখনৌ, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): উত্তর প্রদেশকী অমেথি দিষ্ট্রিক্তা মশাগী চহী ৫২ শুরবা মীওই অমা পুলিসনা ৱাহং পাউহং চত্থবদা শিখিবগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অমগী মথক্তা মর্দর কেস ফাইল তৌখ্রে।

প্রতাপগর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা সত্যা প্রকাস সুক্লা কৌবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা বিজিনেসমেন অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩ তাবদা অমেথি পুলিসকী পার্সনেলশিংনা ফাখি। ওটোমোবাইলগী পার্ট য়োনবা মীওই অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বেঙ্ক মেনেজর অমদগী লুপা লাখ ২৬ লুট তৌখিবগা মরী লৈননা ফাখিবনি।

মমাঙদা ক্রিমিনেল কেস কয়ামরুম মায়োক্লুখিবা মরম্না মীওই অসি ফারগা অমেথিগী পিপারপুর পুলিস ষ্টেসনদা ৱাহং পাউহং চত্থখিবনি হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা সুক্লাগী মচানুপাশিংনা হায়খি মদুদি পুলিস ষ্টেসনদা হেক য়ৌবগা মপাবু পুলিস পার্সনেল খরনা কিহনবগী থৌওং চত্থখিবগা লোয়ননা হুরানবগী থৌদোক্তা চেন্নে হায়না মশাগী মরাল য়াজগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। পুলিস কষ্টদিদা লৈরিঙৈদা মপাবু তমথিনা ফুবগা লোয়ননা নমদুনা হু পীজখি হায়নসু মচাশিংনা ফোঙদোকখি।

অমেথিগী পুলিস চীফনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সুক্লানা ময়ুমদা হনখিবগী লম্বীদা হু য়াওবা পোৎশক অমা শোইদা চারমগনি হায়না ফোদোকখি।

হোস্পিটালগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পুং ৬ রোমগী মমাঙদা সুক্লানা করিগুম্বা পোৎশক অমা চাশিল্লুবনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা ফাইল তৌখিবা এফ আই আরদা পুলিস পার্সনেল অমত্তগী মিং য়াওখিদে।

# মহারাষ্ট্রদা সিব সেনা য়াওদ্রবদি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিরোই ঃ বি জে পি

মুম্বাই, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রদা দেবেন্দ্র ফদনবিসনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক্না ৱাশক লৌনবা থৌরাং লৌখৎলমদাইদা বি জে পিগী সিনিয়র লিদরশিংনা হায়খ্রে মদুদি সিব সেনা য়াওদ্রবদি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিরোই।

দেবেন্দ্র ফদনবিসপু বি জে পিগী এম এল এশিংনা লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খনখ্রবা মতুংদা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা বি জে পি অমসুং সিব সেনাগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা ৱাশক লৌরগনি। হৌজিকমক্কী ওইনা সিব সেনাদা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ফম য়াওনা মরু ওইবা মিনিষ্ট্রি কয়ামরুম পায়হন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

সিব সেনাগী এম এল এশিংনা উধব থাকরেগী মচানুপা অদিত্যা থাকরেবু দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি বি জে পিনা অমুক অমুক শীন্নরগা চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী ৱাফমদা অয়াবা পীখিবা লৈত্রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মহারষ্ট্র অমদি সেন্টরদা বি জে পিনা এলাইয়েন্সতা য়াওরিবা পার্টিশিংদা অহেনবা পোটফোলিও পীবা তারবসু হোম, ফাইনান্স অমদি রেভিন্যুনচিংবা মরু ওইবা পোটফোলিওশিং পায়শিনখি।

সিব সেনানা চহী ২.৫ বি জে পিদা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা লেমহৌরিবা চহী ২.৫ ফম অসি সিব সেনাদা পায়হনগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎতুনা লাকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি বি জে পিনা ৱাফম অসিদা অয়াবা পীখিবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক সিব সেনা য়াওদ্রবদি অনৌবা লৈঙাক অমা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিরোই হায়না বি জে পিগী সিনিয়র লিদর গিরিস মহাজননা ফোঙদোকখি।

অপুনবা মেম্বর ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র লেজিসলেটিব এসেম্বলীদা বি জে পিগী এম এল এ ১০৫ অমসুং সিব সেনাগীনা ৫৬ লৈরি।

**ꯃꯤꯇꯩ/ পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি**

ঐহাক মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, শৌজদা হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথীবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হীদাক চাজবদগী শুপ্নতগী নুমিৎ ১৮নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পূম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তানবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনীংই।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)

HL-P/5090/31 থাগৎচরিবা : **Ch. Brojen**, Khundrakpam

**ꯃꯤꯇꯩ/অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হান্নগা অমাংথোঙ মপান্দু তৎপা অমদি চেকখায়বা, নুমিদাংগী মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তীলকুপ থোক্লকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু মশানা অমুক চংখিবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা হান্নগা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা অমদি চেকখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদসু শারি-শারি তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, নুমিদাংগী মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তীলকুপ থোক্লকপা, নোংমা-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা অমদি কুচুসু মুশিল্লকপা, শোন্থরগতা লৈবা, ফন্বী য়াম্না শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, য়াংলেন শরূদা নাবা, খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অসি ডোক্তর চৎলগা য়েংহনবা মতমদা ঐঙোন্দা নারিবা নূংশঙগী সিম্পটম অসি ওপরেসন তৌদবা য়ারোই হায়না হায়রকপা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5060/31 থাগৎচরিবা : **P. Premjit Singh**, Khurai Kongpal

**ꯃꯤꯇꯩ/ খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, শৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, শৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হাম্বদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোরকউ য়াদবা, খূৎনা লৌথোকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা পুক চপ তিংলগা কংথোকপা, য়েৎকী হকচাং তঙ্খায় অমা চিকপা, তাং-তাং চিকপা, কোক ঙাওবা অমদি চিকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী হামেং মথিগুম্না হান্নগা অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না থুপ্পা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469, 8413870027** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবী :
**Thokchom Premila Devi**
Yourabung

HL-P/5004/31

ꯁꯪ ꯅ ꯱꯴

**DELTA Tutorials**
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur

**ADMISSION OPEN** ☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials

**Class X & XII(Sc. & Arts)**
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel

Class Starting from: 25th October, 2019
☞ Few Seats First Come First !!?

Why Delta is so Popular ?
- AC Class Rooms
- Limited Students
- Printed Study materials
- Test Series
- Mock Test

Experienced Teachers
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools

HL-B/5750/17oct-1nov.

OUR SHINING STARS



1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM

**SMART TUTORIAL CENTRE**
Singjamei Super Market

**ADMISSION OPEN**
REVISION COURSE 2019-2020

| Class XII Sc | Class X (BOSEM) |
|---|---|
| Start on 11-11-2019 | Start on 24-10-2019 (Evening Shift) 12-11-2019 (Morning Shift) |

**NEW FOUNDATION COURSE 2020**
**Class IX, X, XII Sc**
**START ON 12-12-2019**

**SUBJECTS :**
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.

Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)